# উ থাবগী নোবেল প্রাইজ ফংখিবী রাঙ্গরি মুটা মাথাই

থম্মোয় পাউদম ও সি মৈরা



মীওইবনা পাঙথোক্কে খনখ্রবদি ঙমদবা লৈতে। মালেমসিবু নীংথিজরবা মালেম অমা ওইহনবা হায়বসিসু মীওইবগী খুত্তা লৈ। মচেৎ কয়া থোকপা থুগাইগে হায়রবসু মীওইবগী খুৎতা লৈ। অদুনদি মীওইবগী তৌবা ঙমদবা করিসু লৈতে হায়নরিবসি। মীওইবা খরনা মীংচৎ হায়বসি ফংনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরি। মীওই খরদদি মীংচৎ হায়বসিদগীদি থবক্লা হেন্না মরুওই হায়না লৌই। মীংচৎতগী থবক্লা হেন্না লুম্না লৌবসি অসিবুনি মালেমগী মীয়াম্না কোয়থি থিনরিবসু। মীংচৎ পামদনা থবক তৌবা মীওইশিং অসিননি অৱৎ-অখম লৈতনা মিংচৎ ফংলিবসিসু।

মিংচৎ ফংনবা হোৎনবদগীদি থবক্লা হেন্না মরুওই হায়না খঞ্জবা মীওইশিংগী মনুংদা কেনয়াগী প্রোফেসার রাঙ্গরি মুটা মাথাইসু অমনি। মহাক চহী ৭৫ শুজিল্লক্লে। মহাক্লা মালেম অসি অশংবা মালেম হায়বদু ওইহন্নবা হোৎনখি। মহাক্লা কুমজা ১৯৭৭ গী জুন ৫, ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেদা মহাক্লা মহাক্কী পীল্লবা ইংখোলদা উ চারা ৭ খক থাখি। উ থাবা হৌরুবদগীদি লৈকংলা ওইরক্কদৌরবা মালেম অসি অশং অমান্তনা থলহনগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন শাগৎলকখি। ৱাখল্লোন অসিদগী গ্রীন বেল্ট মুভমেন্টতা য়াওশিল্লগা লুচিংবী ওইরকখি। ঙসিদি মহাক্লা তোঙান তোঙানবা মালেমগী লৈবাক ৩৫ হেনবদা উ চারা মিলিয়ন ৩০ হেন্না থাখ্রে। মহাক্লা উ থাবগী থবক্তা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা কুমজা ২০০৪ দা মঙোন্দা নোবেল পিছ প্রাইজ পীখি।

মশাগী চহী ৭৫ শুরবী নুপী অসিনা মালেমগী লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অসি ফংবা অফ্রিকাগী অহানবা নুপীনি। অকোয়বগী ফীভম মোৎশিল্লকপা, মরুওইনা টেক্নো ালোজিনা মরুম কোকশিনফম থিরকপদা উমং কোকথোক্তুনা লৈকংলা ওল্লক্লবা অশংবা উমংনা পীথোরকপা ওক্সিজেন হোনফম লৈরক্তবা মালেমদা মীওইবনা খুন্নাইবু কন্না হোৎনরকপগীদমক্তা মনা অসি মঙোন্দা পীরকপনি। লুরিবসি এনভাইরোনমেন্ট কন্নবা হোৎনবা হায়বসি চীন্দা হায়বা লায়বা অসুম্না থবক ওইনা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা অরাইবা অমদি নত্তে। মরমদি পান্বী অমা হিংহনবা হায়বসি পীক্লিবা অঙাং অমা য়োকপগা মান্নে।

অমরোমদনা, মীশিং য়ামখৎ-লকপগী মতুংইন্না লৈফম লৈরক্তবগী উপাল-ৱাপাল কয়া য়ান্থৎলে। উমং কয়া কোকথোক্লে। মীওইবনা টেক্নো ালোজিগী লমদা খুম্মাং চাউশিল্লকপগা লোয়ননা হৌখিবা চহী খরসিদা খুন্দা লৈতাফম থিরকপা, ইন্দষ্ট্রিজ ফেক্টরিশিং, নোংদোন পক্লা ৱাংলবা স্কাই স্ক্রেপর বিল্ডিংশিং মেট্রোপোলিটান সিটিশিং শাগৎনবা লাক্লরকপদা মহৌশাগী শক্তমদদি চাউনা অকায়বা পীরকই। মরুওইনা মণিপুরদদি লম্বী শেন্বগী অমসুং য়ুম শাবগীদমক্তা পাক্তক্লনা উপাল-ৱাপাল য়ান্থৎপগী চৎনবীসু লৈরিবনি। লৌউবা য়াবা মফমদা ওফিস শাজিনবা হায়বসিসু মণিপুরগী হৈনবীনি।

মালেমগী অঈং-অশাগী খল কায়রকপদগী গ্লোবেল ৱার্মিংগী চাং হেনগৎলক্তুনা উনগী মপাক মপাক শৌদোরক্তুনা মালেমগী মফম কয়া ঈচাউগী ঈরোন্নুংদা লুপখিগদ্রা হায়দুনা মীপায়নরি। খ্বাইদগী মরুওইরিবদি মীওইবগী থৱায় ওইরিবা ওক্সিজেন অসিনি। ন্যুয়োর্ক, লন্দন, টোকিওনচিংবা উমং মচেৎ অমা ফাওবা লৈত্রবা মফমদা মীওইবনা হিংলিবসি অফ্রিকাগী কোঙ্গো, খা-অমেরিকাগী অমাজোন অমসুং খা-নোংপোক এসিয়াগী উমংশিংদগী থাদোরকপা ওক্সিজেননি হায়বসিমদি খক কাউফম থোক্তে। শম্মা হায়রবদা চাউখৎলে হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগী মীওইশিংনা অৱাইবা নিংশা শ্বর হোল্লগা হিংলি হায়বসিদা করিবু লাননিংঙাই লৈবগে।

অৱাইবা নিংশা শ্বরনা হিংনিংদবী ৱাঙ্গরিদি কেনয়াগী অহানবা ডোক্তর ওফ ফিলোসোফি দিগ্রী ফংবী নুপীনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ নাইরোবীগী অহানবা নুপী প্রোফেসারনি। মহাক্কী সবজেক্টনা এনিমেল সাইন্সনি। মচি ওইবা চীঞ্জাক চানবগী খোঙজং কয়া মহাক্লা লুচিংলগা চঙশিনখি। মপুং ওইনা নুপীবু অৱাংবা থবক্কী মহৈ-মশিন তমহন্নবা হোৎনবদা মায় ওনশিনখি। নুপী এক্টিভিষ্ট অসিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং কয়াদা লৈঙাক্কী মীওইশিংগা মুক্লবা কয়া লৈখি। মহাক্কী খোঙজং নেমথহন্নবগীদমক্তা কুমজা ১৯২২ দা পুলিসনা মহাকপু তমথিনা ফূখি। জেলদা থমজিনখি। মহাক্কী মপুরোইবনা পোলিটিসিয়াননি।

মপুরোইবনা মহাক অমসুং মচা অহুম থাদোক্তুনা চৎখ্রবদা মহাক্লা দাইভোর্সকীদমক্তা কোর্টতা থারকপা চেরোলদু মীয়াম্না অঙকপা ওইরি। চেরোল অদুনা পল্লি, ঐগী ইপুরোইবগী লাইরিক হৈবা, পাঙ্গল কনবা, পুন্সিদা মায় পাকপা হেনমনখ্রে। মসিনা ঐগা চান্নদ্রে। ইপুরোইবগা ঐগা খায়নজরগে, মহাক্কী মপুরোইবা খায়নবগী অইবা চেরোল অসিদগী মহাক কনানো হায়বা খঙবা ঙল্লে। অদুননি মহাক্লা নোবেল প্রাইজ ফংবা ঙল্লিবসি। মহাক কুমজা ২০০৫ তা ইন্দিয়াদা লাক্লম্মী। মহাক্লা ইন্দিয়াদা লৈরিঙৈদা মহাক্লা মহাক্কী পোৎচৈশিং চেগী খাওদা হাপ্পী। মহাক্লা বাইও দিগ্রেদেবল ওইবা চেখাও শীজিন্নবনা ঐখোয়গী এনভাইরোনমেন্ট কনগদৌরিবনি হায়রম্মী।

লৌশিং পুক্কে

# পুন্সি মহিংনা থোকহল্লকপা লায়নাশিং ঙাকথোকপা

থম্মোয়গী লায়না, ষ্ট্রোক, দাইবেটিস, কেন্সর, ওবেসিটি, ক্রোনিক লিভর দিজিজ, লিভর সিরোসিস, ক্রোনিক রিনেল ফেলিয়র অমদি দিপ্রেসন্নচিংবা পুন্সি মহিংনা থোকহল্লকপা লায়নাশিংগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লে।



ইন্দিয়া য়াওনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিংনা মী শিহনবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লে। মমাঙদা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমা ইন্দিয়ন মচা মরি খুদিংগী অমমমদি দাইবেটিস, কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ নৎত্রগা কেন্সরগুম্বা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিংনা নাবদগী চহী ৭০ শুদ্রিঙৈদা শিরি হায়বা খঙলকখি।

অদুবু মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবগা লোয়ননা হকচাং শাজেল তৌবা অমসুং ফৎতবা হৈনবী পুন্নমক থাদোকপা তারবদি পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক হন্থরকই হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা অহানবা খোঙথাং ওইনা উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশিং মরাং কায়না চাগদবনি। য়ারিবমখৈ ফেট অমসুং চিনিগী শরুক হন্থনা চাবা মথৌ তাই। থাউদা তাউথোক্লবা চীঞ্জাকশিংদা য়াওবা ট্রান্স ফেটনা হকশেলদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লকপা মরম্না য়ারিবমখৈ থাউদা তাউবা পোৎ কা-হেন্না চাইরোইদবনি।

অনৌবা মতমগী ফেসন অমগী মওংদা ঙসিগী মীরোলনা পাম্না থক্ল রিবা কোল্ড দ্রিঙ্ক অমদি অতৈ মহীশিংদা চিনিগী শরুক কা-হেন্না য়াওই। মসিনা লায়না কয়া পোকহনল্লকপা য়াই। মরম অদুনা অসিগুম্বা মখলগী মহীশিং য়ারিবমখৈ থক্লোইদবনি। হকচাং মনুংদগী অমোৎপশিং শেংদোক্লবা অমসুং হকচাংদা মহীগী চাং ৱাৎহন্দনবগীদমক ঈশিং মরাং কায়না থকপা মথৌ তাই। য়ারিবমখৈ চরা হেল্লোইদবনি, হেঞ্জিন্না চাশিনবসু তৌরোইদবনি।

কনাগুম্বা মীওই অমনা শুপ্পগী থা অনীখক পুন্সি মহিং শেমদোকপা মতমদা কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ অমদি ষ্ট্রোকনচিংবা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিংগী রিস্ক হন্থহনবা ঙম্মী হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। জর্নেল ওফ অমেরিকান ওষ্টিওপেথিক এসোসিএসনদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মালেমদা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না নাবগী চাং তপ্পা তপ্প া হেনগৎলক্লে। দাইবেটিসনা নারবা মীওই ওইবা তারবসু থা অনীখক পুন্সি মহিং শেমদোকপা মতমদা খুদোংথিবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। দাইবেটিসনা নারবা মীওই খুদিংমক কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজ, ষ্ট্রোক, লিম্ব এম্প্যুটেসন অমদি মাইক্রোভাস্ক্যুলর কমপ্লিকেসনগী রিস্ক মায়োক্লে। অদুবু পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা মনা-মশিং অমদি উহৈ-ৱাহৈ মরাং কায়না চাবগা লোয়ননা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি রিস্ক পুন্নমক হন্থখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ন্যুয়োর্কতা কম্যুনিটি বেজ ইন্টরভেন্সন প্রোগ্রাম অমা পায়খৎতুনা মীচম মীয়াম্বু ৱাখল তাহল্লম্মী। প্রোগ্রাম অদুগী শরুক অমা ওইনা দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংবু পুন্সি মহিং শেমদোকপগা লোয়ননা চাবা থকপগী মওং মতৌ হোংদোকহল্লম্মী। কমপ্লিট হেল্থ ইম্প্রুভমেন্ট প্রোগ্রাম হায়না মিংথোনবা প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়াহন্দুনা মীপুম খুদিংমক থা অনীখক পুন্সি মহিং শেমদোকহনবা মতমদা ব্লদ গ্লুকোজ লেবেল হন্থরকপা থেংনখি।

কমপ্লিট হেল্থ ইম্প্রুভমেন্ট প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা মীপুম খুদিংমক মনা মশিং অমদি উহৈ ৱাহৈ মরাং কায়না পীজবগা লোয়ননা হকচাং শাজেল তৌহল্লম্মী অমসুং ঈশিং মরাং কায়না পীথক্লম্মী। থা অনীগী মতুংদা য়েংলুবদা মীপুম খুদিংমক্কী হকচাংগী ফীভম ফগৎলকপা থেংনখি। ব্লদ সুগর অমদি ব্লদ প্রেসর ৱাংলম্বা মীওই কয়াসু চাং হন্থরম্বা থেংনখি।

কেলিফোর্নিয়াগী টৌরো য়ুনিভর্সিটিদা দাইবেটোলোজিষ্ট ওইনা লৈবা জে শুব্রুকনা হায়খি, টাইপ-টুদাইবেটিসকুম্বা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়নাশিংগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওইশিং-গীদমক্তদি অফবা চীঞ্জাক চাবা অমসুং হকচাং শাজেল তৌবা হায়বসিদগী হেন্না ফবা অতৈ অতোপ্পা পান্থে অমত্তা লৈত্রে। অদুবু পুন্সি মহিং শেমদোকপা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তবনিনা মীপুম খুদিংমক ইচম চম্না গুলি অমা চারগা অৱাবা পুন্নমক কোকহন্নবা হোৎনবরোমদা মায় ওনশিন্নরক্লি।

মহাক্লা হায়খি, হীদাকখক্তুনা অনাবা ফহনগনি হায়বগী ৱাখল থাদোক্কদবনি। মতাং মতমগী মতুংইন্না তঙাইফরক্ত্রবা মতমদা হীদাকচাবা তারবসু পুন্সি মহিং অমদি চাকচা য়ুথক শেমদোকপনা হেন্না মরুওই। জর্নেল ওফ দ অমেরিকান ওষ্টিওপেথিক এসোসিএসন্দা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা টৌরো য়ুনিভর্সিটি, কেলিফোর্নিয়াগী দাইবেটোলোজিষ্ট জে শুব্রুকনা হায়খি, শুপ্পগী থা অনীখক পুন্সি মহিং শেমদোকপদা টোটেল কোলেষ্টেরোলগী চাং চাদা ৯.৬, ফাষ্টিং গ্লুগোজ চাদা ৯, বোদি মাস ইন্দেক্স চাদা ৩.৭ অমসুং সিষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর চাদা ৫.৭ হন্থরকই।

# ফিল্ম স্ক্রিপ্ট অমনা অফবা ফিল্ম ওইহনবদা, ফিল্মদুগী দিরেক্টরনা লৌগদবা থৌদাং

মাখোনমনি মোংশাবা



***ৱামাঙ-ৱাহৌদোক :***

ফিল্ম স্ক্রিপ্টকী ৱাফম নৈনদ্রিঙৈদা দি আর্ট ওফ ফিল্ম নৎত্রগা দি আর্ট ওফ ফিল্ম মেকিং হায়বসি হান্না কুপ্পা খঙমিন্নবা অমা চঙই। ফিল্ম হায়বসি মীয়ামদা পাউদম্বা থুবা, খঙহনবা থুবা মেদিয়ম অমনি। মরম অসিনা মেদিয়াশিংগী মনুংদা দি আর্ট ওফ ফিল্ম মেকিং অসি থাক ৱাংনা লৌনৈ। মসিগীদমক তম্ফম, স্কুল, ইনষ্টিট্যুসন, য়ুনিভর্সিটি লিংখৎতুনা কোর্স নাইনা, সেলেবস খায়না তম্মী। অমরোমদা, ফিল্ম মেকিং অসি কম্পোজিৎ আর্ট ফোর্ম অমসু ওইবনিনা মসিগী মশা মরেং অসি য়াম্না য়াম্মী। ফিল্মদা য়াওদবা আর্ট ফোর্ম লৈতে। টেক্নিকেল, নন-টেক্নিকেল অনীমক্কী পুনশিনবা মফমনি অদুনা ফিল্ম মেকর অমনা অনীমক কুপ্পা খঙদবা য়াদে। ফিল্ম হৌবদগী লোইবা ফাওবা ফিল্মগী রিদম হায়দুনা নুংগী ওইবা তান্থা, মিহুল অমা থাদুনা চৎলি। ফিল্ম রিদমসি তোঙান তোঙান্না ফিল্মিক ম্যুজিকেল রিদম, কেমেরা রিদম অমদি এদিটরস রিদম হায়না লৈরি। মসিবু কায়দনবা চুপ্পি পায়রিবসি দিরেক্টরনি। রিদমশিং অসি হেক কায়বদা অয়েংবদা নুংঙাইহন্দে। পুন্নমক অসি কুপ্পা খঙলবা অমগা অমগা চৎমিন্নদবা য়াদে।

***ফিল্ম অমা শেমগৎ-শাগৎপা :***

ফিল্ম অমা পুথোক্লবা হোৎনবসি ৱাখল চঙই। ফিল্ম অমা শেমগৎ-শাগৎপসি হকচাং কয়াৎ শাগৎপনি। লাই হৱাউবগী লাইবৌ চোংবগুম্বনি। অঙাং নৱা অমা ওইনবা মীতমদুনা থাশিং শুরগা তাইবঙদা খোঙদাহল্লকপনি। মীতল্লিঙৈ, মীরোনবী মমানা অফবা মচি ওইবা চীঞ্জাক চাদুনা অফবা তীঞ্জং-কায়জংদবা নৱা অমা নাওপুজবগুম, ফিল্ম অমা ওইনবা, নাওপুনবা হোৎনরকপদগী হৌনা অফবা মচাক ময়াম অমা, মচি ওইবা চীঞ্জাক্লুম ফংহনবা চঙলি। স্বাইসিদনি, অফবা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট (প্লোট, সব-প্লোট, থিম, কনফ্লিক্ট, ক্রাইসিস, করেক্টরস মরিক চুম্না, মরম চানা থম্বা ঙম্বা) হায়নরক্লিবসি। অফবা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট কদায়বু কৌই হায়না হংলক্লগদি মসিনি হায়দুনা থিন্দুনা তাকপদা লুনা থোকপা য়াই। অদুবু অখঙ অহৈশিংনা হায়নবা খরদি ঐখোয় নীংশিংবা চুম্মী। You don't tell your story to the audience but you Show them. To write a good film script, you have to know how it's going to play.


ফিল্মনা অয়েংবদা ৱারী লীগদবা নত্তে থৌদোক অমা মিৎতা শং শংনা উহনবনি। তাবদগী উবনা হেন্না শাফু কল্লি। মরম অসিনা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট রাইটরশিংনা মসি খঙনা খোর্জে পায়খৎপীবা চঙই। অইবগী ৱাখলক্তদা ফজবা, ঙাঙনগদবা দাইলোগতা ফজবা, বেকগ্রাউন্দা ফজবনা য়াদে। উহল্লক্কদৌরিবা পোৎশক অদুনি মরুওইরিবসি। ভিজুয়েলাইজ তৌরকপদা ওইরক্কদবা অদু খোর্জে পায়না পায়না উবা ঙমগদবনি। উহল্লক্কদৌরিবা পোৎশক শেন্বা অদুবু ফিল্ম অমগী স্ক্রিনপ্লে কৌই। অইবগী খোর্জে মরোলদু পোৎশক ওন্থোল্লকপদা য়ানবা শেন্বা হৈবা নৎত্রগা মদুগী লীল্লম পীবা ঙম্বা অইবদুগী পোৎশক অদুবু অফবা নৎত্রগা শেন্বা থোকপা ফিল্ম স্ক্রিপ্টতা নকশিল্লবনি হায়বা য়াই। ফিল্ম স্ক্রিপ্ট অমা লৈরগা ফিল্ম নম্বা হেক্তা য়ারোই। স্ক্রিপ্ট অদুদগী স্ক্রিনপ্লে শেমদ্রিমখৈ ফিল্মগী পরিং চুমদে। খরা কুপশিনবা ফিল্ম মেকিংদি, সুটিং তৌদ্রিঙৈদা ষ্টোরি বোর্দ শেম্নে। কনাগুম্বনা স্ক্রিনপ্লে তৌরবসু খরা অমুক লাইথোক্লবা নৎত্রগা সুটিং তৌবদা খুদোংচানবগীদমক সুটিং স্ক্রিপ্ট হায়না অমুক শেম্নবসু তৌনৈ। স্ক্রিনপ্লে অমদি সুটিং স্ক্রিপ্ট অনীমকসি য়াম্না খেন্নদে। মাগী মাগী হৈনবা, খঙজবা মওংদা শেম্নবনি। ফিল্ম স্ক্রিপ্ট লৈরবা মতুংদা স্ক্রিনপ্লে অসিদি শেমদবা য়াদে। স্ক্রিনপ্লে অসি ফিল্ম মেকিংগী লম্মিৎলোননি। লান চঙবদা লানফমগী মেপ য়াওদবা য়াদে, মেপকী মতুংইন্না টেঙ্ক থৌজিনগনি, সক্কাদ্রোন থাজিনগনি, খুৎলাই পুশিনগনি, লৌথোক্কনি।

***ফিল্ম স্ক্রিপ্ট রাইটর অমদি ফিল্ম দিরেক্টর:***

ফিল্ম অসি প্রদ্যুসর থাদনা মীকোক অহুমগী পোত্থোক্লি। মীকোক অহুম অসি প্রদ্যুসরনা পুথোক্কদবনি। অহানবা প্রদ্যুসরনা পুথোক্কদবদি ফিল্ম দিরেক্টরনি। অনী অসিনা পুল্লগা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট পুথোকপনা পরম চুমগনি। মরমদি ফিল্ম ওইনা শেল্লক্কদবসি দিরেক্টরনি। প্রদ্যুসরনা পামজবা স্ক্রিপ্ট অমা লৈরে হায়দুনা কোন্না দিরেক্টর নেক্লবসি ফিল্মগী মরাইবক লুনা থোক্কল্লি। প্রদ্যুসর অমদি দিরেক্টর পুল্লগা স্ক্রিপ্ট রাইটর খনমিন্নবা, তানমিন্নরবদি উচন চাগনি। প্রদ্যুসর য়াওদ্রবা ফাওবদা, দিরেক্টর অমদি স্ক্রিপ্ট রাইটর অনীসি ফিল্মগী ৱারী পরিং শেম্মিন্নবা, প্লোট থিম খনমিন্নবদা থানবা য়াদে মতাংসি অমনা য়েৎনি অমনা ওইনি। অসুম্না ফিল্মগী শিয়োমনুংদা মীতমহনবা মতমসি প্রি-সুটিং পেরিওদ হায়না খঙনৈ। স্ক্রিপ্টিং প্লান্নিং, বজেটিং খুদিংমক মতম অসিদা লোইহৌগদবনি। মতাং অসি খরা কুইনা মতম লৌগনি। মসিদা কুপথহৌবসিনা, ইন-সুটিং অমদি পোষ্ট সুটিংদা মশা নান্না লোইশিনবা ঙম্মী। মতমসু চঙলরোই।

হীরমসিদা খঙ-হৈরবা, প্রোফেসনেল ফিল্ম স্ক্রিপ্ট রাইট লৈতবা ঐখোয়গী মণিপুরগুম্বা লমদমদদি, প্রি-সুটিং পেরিওদ অসিদা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট রাইটর অমদি ফিল্ম দিরেক্টর অনীনা লৌমিন্নগদবা থৌদাং অসি য়াম্না মরুওই। অনীসিগী শাগৎমিন্নগদবা ৱাখল্লোন, উহন্নিংলিবা ভিজুয়েলাইজেসন অসি মতম অসিদা কোক থাদমিন্নবা চঙই। স্বাইগী মতাং অসিদনি অফবা ফিল্ম অমা ওইহনবদা ফিল্ম দিরেক্টর অমনা লৌগদবা থৌদাং লৈরক্কদৌরিবসি। ফিল্ম স্ক্রিপ্ট, করম্বা ৱারীদা, করম্বা প্লোট, থীমদা ইগনি হায়বদুদি য়ৌশিঞ্জরোই। মদুদি প্রদ্যুসর অমদি দিরেক্টরগী রাইট, মখোয়গী অপাম্বা ওইগনি। মান্নবা ৱাখল্লোন অমদি লৈমিন্নগনি মদুদি- a good film script should be authentic, it contains the good, the truth and the beauty. কনাগুম্বা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট রাইটর অমনা ইরকপা স্ক্রিপ্ট অমা দিরেক্টর অমনা পাম্বা, পামদবা লৈবা য়াই মদুবু হেন্না ফজনবা নৎত্রগা দিরেক্টর অদুনা উৎনিংলিবা অদু য়ৌনবা হোৎনবদা শেমদোক শেমজিন তৌবদি দিরেক্টরগী রাইট লৈ। তানমিন্নরগা শেন্বদা অকায়বা লৈতে। মরমদি দিরেক্টরগী ট্রিটমেন্ট, কন্সেপ্ট হায়বা অমা লাক্কনি। মদু য়ৌনবা হোৎনবদা শেম্মিন্নবা চৎনৈ, য়ানৈ। ফিল্ম স্ক্রিপ্ট রাইটর অমনা ইরকপা স্ক্রিপ্টতি টেবলদনি। দিরেক্টরনা মদু ভিজুয়েলাইজ তৌনবা হোৎনরকপদুদি থবক ওইননি। মদুসু আউটদোর ইন্দোর খায়দুনা মফম হোং হোংদুনা চৎলুগদৌরিবনি। সিন সিনগী ওইবা করেক্টর ময়াম অমসু পুশিল্লক্কদৌরি। লাইট সাউন্দ, ক্রু ময়াম অমা, টেক্নিকেল অমদি নন টেক্নিকেল হেন্দস ময়াম অমসু য়াওরক্কদৌরি। মসিগী নোলেজ অসি ফিল্ম স্ক্রিপ্ট রাইটরনা খঙবা নৎত্রগা উবা চঙই। ষ্টেজ প্লেরাইট অমনা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট ইরকপদা অহোবা য়াম্না থেংনৈ। মরমদি ফিল্ম অমদি ষ্টেজ অনীগী মেদিয়ম অসি খেন্নে। টেক্নিক মান্নদে। টাইম এন্দ স্পেস মান্নদে। হীরম খুদিংমক্তা চাউনা খেন্নে। অমরোমদা, ষ্টেজ প্লেরাইটতি খরবু শাফরি, ষ্টেজ প্লেরাইট নত্তবা মীচম অমগী মফমদদি হায়রিবা পুন্নমকসি অমম্বা চৎপগুম্বনি। অদুবু অনীমক হোৎনরগা নৎত্রগা প্রক্টিস য়াম্না তৌরগদি অফবা ওইরকই। হোৎনবা হায়বসি লেপ্তুবা তাই। মীনা তৌবা উরগা ঐসু হৈনি হায়রগদি লাইগী মচা ওইরবসু ক্রিয়েটিব আর্টতদি অরায়বা অমদি হেক্তা ওইরোই। ষ্টেজদগী লাকপা এক্টরশিংদসু মুভমেন্ট, গেচর, প্রজেন্টেসন খুদিংমক্তা খেন্নরকপনা ফিল্ম এক্টিং তৌরকপদা নুংঙাইতবা মেকানিকেল ওইবা অদুমক থেংনরি। শোয়খিবা অরানবা ময়ামসি ইন সুটিং মনুংদা কয়া খঙগন্দে। পোষ্ট সুটিংদা এদিটিং টেবলদা ফম্লকপা মতমদা লোয়নমক উবা ঙম্মী। মতাংসিদনা অমুক এদিটরগী রোলসি চাউই। অদু ঙসাই মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মীকোক অহুম হায়বসি ফিল্ম মেকিংগী য়াম্না মরুওইবা লাইনিংথৌ ঙাক্তনি।

চুম্মী, ফিল্ম মেকিং অমগী মরুওইবসি অফবা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট হায়বসিনা ওইগনি। মীয়াম্না খঙনরে ফিল্ম পুথোকপসি মরম খরদনি। কম্মর্সিয়েল ওইনা পুথোকপা অমদি নন-প্রোফিৎ ওইনা পুথোকপা অনীসিদনি। নন প্রোফিৎ ওইনা পুথোকপা অসিদি অতাঙবনি। কম্মর্সিয়েল ফিল্ম মেকিংদদি ভ্যিৱর্সশিংনা য়েংনিংনবা মওংদা শেল্লকপা পুথোকপা ঙাক্তনি। ফিল্ম মেকিংগী লম্বী অসিদদি কম্মর্সিয়েল অমদি নন প্রোফিৎ অনীমক্কী সেরিয়স অটেন্সন চপ মান্নে। পুথোক্লিবা ফিল্ম স্ক্রিপ্টকী ট্রিটমেন্ট খেন্নবা খক্তনি। কম্মর্সিয়েলদসু অফবা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট মথৌ তাই। মসিনা মীয়াম্না পাম্নবা হেনবা, বোক্স




পোপুলরিটি হায়বদু ওইবিরনি। নন প্রোফিৎ ফিল্ম মেকিংগীসু মদু মঙাই। অনীমক্তা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট রাইটরগী থোট, ৱাখল্লোন অসি খরা হোৎনবা, ৱাখল থাদবা, কুপশিনবা মথৌ তারকই। অফবা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট হায়বসি অনীমক্তা চঙই। স্ক্রিপ্টনা ফৎত্রবদি ফিল্মগী মপুন্সি শাংদে, চন্নফম লৈতে। অফবা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট হায়বসি ওইনবা খুৎ থাদ্রিঙৈদা খোরিরোল শুবীবা ওজাশিংগী কন্সেপ্ট য়াম্না ময়েক শেংবা তাই। নাক-য়েৎ ইনভাইরোনমেন্ট খঙবা, করেক্টরশিং খঙবা অমদি য়ৌরুগদবা পম্থুং খঙনা ইবীরগদি অচুম্বা ওইগনি। মসিনসু লোইদ্রি। লৈশক লৈচু শেন্বীগদৌরিবা দিরেক্টর, ফিল্ম মেকরনা মিহুল খঙনা শাজেল তৌমিন্নবা চঙলি। নাকল নাকল চৎমিন্নরবদি উন্নবা ফংলরোই।

***প্রদ্যুসর অমদি দিরেক্টরগী ৱাখল্লোন :***

ফিল্মগী মপুন্সি প্রদ্যুসরনি। প্রদ্যুসর লৈত্রগদি ফিল্ম লৈররোই। প্রদ্যুসরনা চঙগদবা শেনফম পুথোকপনি, পুথোক্লিবা শেনফম মাঙবা য়াদে। প্রদ্যুসর হায়বসি মীশক অমা ওইনা নত্তবা বেঙ্কনা, ত্রষ্টনা কম্পেনি অমনা নৎত্রগা খুৎপু অমনা ওইবসি মপাল লৈবাকশিংদা তৌনৈ। অদুগুম্বা প্রদ্যুসর অদুনা অমুক মখোয়গী থাদরিবা শেনফম অদু য়েংশিন্নবা, প্রদক্সন কন্ট্রোল্লর, প্রদক্সন মেনেজর থম্নে। মখোয়না পুথোকপা ফিল্মদি, ফিল্ম স্ক্রিপ্ট সেলেক্সন কম্মিটি নৎত্রগা বোর্দনা খল্লগা নম্বসু লৈ। অসিগুম্বা মতাং অসিদদি অফবা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট হায়বসি শোয়দনা ওইদবা য়াররোই। অফবা ফিল্ম স্ক্রিপ্টকীদমক অফবা দিরেক্টর নেক্লে নৎত্রগা দিরেক্টরগা প্রদ্যুসরগা তান্নরগা অফবা ফিল্ম স্ক্রিপ্ট থিবসু তৌনৈ। ফিল্ম স্ক্রিপ্টসি প্রদ্যুসর অমদি দিরেক্টরগী অপাম্বদা লৈরে।

***ফিল্ম স্ক্রিপ্ট অমদি মণিপুরী লিটরেচর :***

মণিপুরী খোরিরোল, লিটরেচরদা ফিল্ম স্ক্রিপ্টকী মরুওইবসি লৈ। ফিল্ম অমদি লিটরেচর অনীসি থানবা য়াদে। মণিপুরদা চৎনবী অমা উজৈ মদুদি মণিপুরী লিটরেচরদা চঙশিনবীরিবশিংগা পাফোর্মিং আর্ট (লীলা, দ্রামা, ফিল্ম, ঈশৈ-নোংমাই, ৱারী-লাইরিক) তৌবশিংগা তোঙান্না লৈনৈ। ঐখোয়গী লিটরেচরদা অইবা ওইনা লৈবীরিবশিংগী মরক্তা ৱারীমচা, ৱারী মপুম (নোভেল), লীলা, দ্রামা ফজনা ইবা য়াওরি। মখোয়না মণিপুরী ফিল্মগী প্রদ্যুসরশিং, দিরেক্টরশিংগা ইশম শম্নবা ঙমদে। মণিপুরী ফিল্ম অইবা য়াম্না থোরকই। মখোয়না অফবসু থেংনৈ, অশোনবসু উই। মণিপুরী ৱারীমচা, ৱারী মপুম (নোভেল) দা ফজবা কয়া লৈ অদুবু ফিল্মদা লাকপা মতমদা ফজবা য়ৌদবা য়াওবা য়াই। ফজখিবসু য়াওবা য়াই। ৱারী ফজৈ হায়রগা ফিল্মদা হেক্তা মায় পাক্কনি হায়না লৌবসি অরুবা ওইগনি। অফবা ৱারী নৎত্রগা নোভেল অদু করম্না ফিল্ম ওইনা লাকপা য়াগদগে হায়না অমুক শেন্বগী হৈশিংবা অমা খোরিরোলশিংগা কোক চুংশিন্নবা চঙই। হায়জনিংংলিবদি, হীরম খুদিংদা প্রোফেসনেলিজমগী ৱাখল অসি লৈহন্নিংই। অইবনা অইবা ওইনা, দিরেক্টরনা দিরেক্টর ওইনা। ইতোৎ তোৎশিন্নবা, ঐসু ঙম্মী, ঐসু হৈ, ঐসু খঙই। অইবা য়াওদ্রবসু ঐনা শেন্নগা য়ানি, ঐগীসু অমা হায়বসিনা মাঙ থারগা পুথোরকপা মতমদা মুন্দনা লৌবা পানগুম অরেংবা য়াওরকপসি থোকহন্নিংদে। অনৌবা থোরকপসু পুথোক্তবা য়ারোই, মখোয়বুসু শেমগৎপা চঙই। অদু ওইরগদি হোৎনবা, তম্লুবা অমদি চঙই। তমদনা হৈবদি খরা য়েমৌনৈ। ফিল্ম মেকিং অসিদি শান্নপোৎ নত্তে। উরুমদা পোত্থাফম থিবদৌনা চঙশিনবা য়াবা নত্তে। গাড়ী থৌবগুম্বনি। তম্বা চঙই, লাইসেন্স পায়বা তাই। লোং এক্সপিরিয়েন্স হায়বদুনা অমনি। পীথোরকপা হায়বসিনা লাইবক্কী ৱানি। মণিপুরী ফিল্মদা চেকশিনবা ৱারীদা শাগৎপা তাঙনা উরি। হ্যুমেন ভেল্যুজ, মিচুয়েল অন্দর্ষ্টেন্দিং অমদি নাৎকী ফিদম্নফম উৎপা চঙখোনবা ৱারী ইথেং থেংনদ্রি। লাকখিবদি য়াই অদুবু ঙাইবা তারি।

***দিরেক্টরগী থৌদাং :***

ফিল্মগীদি দিরেক্টরসি খ্বাইদগী মকোকনি। মহাকসি য়ামদ্রবদা ফিল্মগী থাঙলোন তারোন, খৌশারোল, লৈতেং থাঙ খঙদবা য়ারোই। মহাক্লা মকোকনি হায়দুনসু লোইনমক শুপচিনবসু তৌনদে। মরুওইনা মহাক্কী অপাম্বদা চৎমিন্নরিবা কেমেরামেন, লাইট, সাউন্দ অমদি অতৈ ক্রুশিংগা অমগা অমগা পাউ ফাওনরগা, মমুৎ তানা খঙমিন্নরগা ফিল্ম নম্বসি চৎনৈ। মসি ইন-সুটিংগীনি। পোষ্ট সুটিংদা অমুক লোয়নগদৌরিবসি মরুওইনা এদিটরনি, ম্যুজিক দিরেক্টর, আর্টিষ্টশিংনি। লোয়নমিন্নরিবা ফিল্মগী মীওইশিং খুদিংমক্তা মান্নবা মীৎয়েং, কোওপরেসন পীনদবা য়াদে। মহাক্কী মীৎয়েং শান্না য়েংবা তাই। মীৎকুপ খুদিং, মিহুন খুদিং প্রি সুটিং, ইন সুটিং, পোষ্ট সুটিংদা মহাক্তি ফিল্ম অদুনা মীয়ামদা হেন লান্থোক্ত্রিবা ফাওবা ফমশেন্নদবা য়াদ্রি।

***ৱারোয়শিন :***

তান্নবা, খঙমিন্নবা, ৱাখল্লোন মান্নবা হায়বসিনা হীরম খুদিংমক্তা মায় পাক্লিবনি। থৌরাং লোইহৌদনা লান চঙবা, শেম শাহৌদনা লম্বী খঙদনা চৎলুবা ফিল্ম মেকিংদদি লম্মুক্লরকপা থোক্কল্লি। মীপুম খুদিংমক ডোক্তর ওইবা য়ারোই, মীপুম খুদিংমক ইঞ্জিনিয়ার ওইবা য়াবদগুম মীপুম খুদিংমক ফিল্ম মেকর, স্ক্রিপ্ট রাইটর, কেমেরামেন অমদি এদিটর ওইবা য়ারোই। এক্টরসু অদু মঙাই। মসি ওইনবা হোৎনবদা, অফবা ফিল্ম য়েংবা, ৱারী লাইরিক পাবা, নেসনেল অমদি ইন্টর্নেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা ফিল্ম ফেষ্টিবেল য়েংনবা হোৎনবা তাই। ৱার্কশোপ, খন্ন-নৈনবা, সেমীনার শীন্দুনা হেন্না নৈনমিন্নবাতাই। লময়ানখিবা নৎত্রগা মশক নাইবা ফিল্ম মেকরশিংনা পুথোকপা ফিল্ম য়েংদনা অহেনবা নোলেজ ফংলোই। ফিল্মগী আইন, লো খঙমিন্নসি। ওইজবা থাদোক্লগা অফবা ওইনবা চঙশিনমিন্নসি। অৱাংবা ফিদাদা ফম্নবা হোৎনসি। এমেচরগী ৱাখল থাদোক্তুনা প্রোফেসনেলিজমগী ৱাখল্লোন্দা ঐখোয় লাক্লবা হোৎনমিন্নসি। মদুতদা অফবা ফিল্ম স্ক্রিপ্টসু থোক্লক্তুনা অফবা ফিল্ম পুথোকপা ঙম্লক্কনি।